# অফঘানিস্তানগী হান্নগী আর্মি জেনরেল সামি সাদটনা টালিবানগী মায়োক্তা অনৌবা লান শোক্লনবা শেম শারি



কাবুল, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী): অফঘান আর্মিগী জেনরেল অমনা মহাক অমসুং অতৈ লাম্মী কয়া অমদি হান্নগী এদমিনিষ্ট্রেসনদা য়াওখিবা পোলিটিসিয়ান কয়ানা হৌজিক্কী টালিবান রেজিমগী মায়োক্তা অনৌবা লান অমা শোক্লনবা শেম শারি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

লানগী থৌরাং অদুগী মতাংদা অহানবা ওইনা পল্লদুনা লেফটনেন্ট জেনরেল সামি সাদটনা বিবিসিদা হায়খি, মদুদি টালিবাননা থা নিপান লৈঙাক পায়রকখিবদা অফঘান কয়ানা উবা ফঙলিবদি মিলিটরি এক্সন অসিনা মখোয়গী মায়োক্তা লৌখৎকদবা অমত্তা ঙাইরবা খোঙথাংনি হায়না থাজনরে।

মহাক্না হায়খি, মদুদি ওপরেসন অদু মহাক্না অফঘানিস্তানদা হল্লক্লবা থৌরাং তৌরিবা ইদ মতুং মথংগী থাদগী হৌরবা য়াই। টালিবাননা হৌখিবা চহীগী ওগষ্টতা খোঙজেল য়াংনা অচৌবা ওফেন্সিব অমা চথদুনা অফঘানিস্তানগী লৈঙাক পায়শিনখিবনি।

চহী ২০ মিলিটরি কেম্পেইন চথরবা মতুং য়ুএসনা লুচিংবা অরোইবা নাটো ফোর্স অফঘানিস্তান থাদোকখিবগা লোয়ননা শুপ্নগী নুমিৎ তরানিগী মনুংদা হার্দ-লাইন ইস্লামিকশিং অসিনা লৈবাক অসিবু খুদুম চনখিবনি।

লেফটনেন্ট জেনরেল সাদটনা হায়খি, মদুদি অফঘানিস্তানবু টালিবানদগী শোয়দনা নিংতমহন্নবা অমসুং লৈবাক অসিদা অমুক হন্না দিমোক্রেটিক সিষ্টেম লিংননবগীদমক্তা মহাক অমসুং অতৈ হান্নগী মিলিটরি লিদরশিং অমদি পোলিটিসিয়ান কয়ানা অঙম্বা থাক্তা লৌখৎফম থোকপা খোঙথাং খুদিংমক লৌখৎলগনি।

ঐখোয়না নিংতম্বা ফঙদ্রিবা ফাওবা, ঐখোয়গী অনিংবা অপাম্বশিং ফোঙদোকচবা অমদি পাঙথোকচবা ঙমদ্রিবা ফাওবা ঐখোয়না মখা তানা লান্থেংনখিগনি হায়না মহাক্না বিবিসিগী ইন্টরভিয়ু অমদা ফোঙদোকখি।

তৌইগুম্বসুং হান্নগী মিলিটরি লিদর অসিনা তাংদাংবা মতমদি পনখিদে। জেনরেল অসিনা ইন্টরভিয়ু অদুদা টালিবাননা নুপীশিং অমসুং নুপীমচাশিংগী রাইটশিংদা অকনবা অথিংবা কয়া থম্বা য়াওনা হেন্না কনবা লৈঙাক চল্লাইরকখিবগী থৌওংশিং নীংশিংখি অমসুং হৌজিক টালিবানগী ওথোরিটরিয়ান ওর্দর থিংদুনা অনৌবা চেপ্টর অমা হাংবা হৌবগী মতম ওইরে হায়খি।

সাদটনা হায়, টালিবাননা থা নিপান লৈঙাক পায়রকপদা ঐখোয়না অফঘানিস্তানদা উবা ফঙলিবদি লাইনিং লাইশোলগা মরী লৈননা অথিংবা হেন্না থমজিনবা পোলিটিকেল পান্দমশিং ফংনবগীদমক্তা শেংলবা কোরানগী স্কৃপ্টশিংবু লান্না ৱাহন্থোক পীবা, লান্না শীজিন্নবা অমসুং লান্না পনবা অসিনি।

মহাক্না মখা তারদুনা মহাক্কী অহানবা থৌরাংদি টালিবানদা থা ১২গী মতম পীদুনা মখোয়দা অহোংবা লাকপ্রা হায়বদু য়েংবা অসিনি। লাইবক থীবদি টালিবাননা নুমিৎ খুদিংগী অনৌবা অথিংবশিং, মীওৎ মীনৈগী থৌদোকশিং হাপচিল্লকপা উরি। মীয়াম্বু টোর্চর তৌবা, হাৎপা, ফারগা মী থীবা খঙহন্দবা, চান থক্লবা পোৎলমশিং ৱাৎলকপা অমদি অফঘান অঙাংশিংবু মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজরক্তবা অসি ঐখোয়না মথং মথং লৈবাক অসিদা মখোয়গী রেজিম লাক্লবা মতুংদা উবা ফঙলক্লি।

অফঘানশিংনা নুমিৎ খুদিংগী মঙোন্দা মেসেজ চা কয়া থারক্তুনা মহাক্না ফিভম অসিদা করি তৌনবা হোৎনরিবগে নত্ত্রগা শেম শারিবগে হায়না হংলক্লি হায়নসু লেফটনেন্ট জেনরেল সাদটনা ইন্টরভিয়ু অদুদা ফোঙদোকখি।

# য়ুক্রেন-রসিয়া লান থিংবা ঙমদবগীদমক গুটরেজনা সেক্যুরিটি কাউন্সিলবু চৈখ্রে



কিভ, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী): রসিয়ানা কিভকী মায়োক্তা চঙশিল্লক্লিবা লাঞ্জং অসিবু থিংবা নত্ত্রগা লেপহনবা ঙমদবগীদমক্তা য়ুএন সেক্রেটরি জেনরেল এন্টোনিও গুটরেজনা মেম্বর ১৫ লৈবা সেক্যুরিটি কাউন্সিলবু চৈথাংখ্রে।

কিভকী খোঙচৎতা য়ুক্রেনগী কেপিটেল অসিদা লৈরিবা য়ুএন চীফনা য়ুক্রেনিয়ন প্রসিদেন্ট বোলোদিমির জেলেন্সকিগা পুন্না পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অমদা য়ুক্রেনগী লান অসিগা মরী লৈননা য়ুএন সেক্যুরিটি কাউন্সিলবু চৈখিবনি।

বিবিসিগী রিপোর্ট মতুং ইন্না শগোলশেল নুমিৎকী নুমিদাংদা কিভতা পাঙথোকখিবা প্রেস কনফরেন্স অদুদা য়ুমশকৈশগী নুমি-দাংদা য়ুক্রেনদা থুংলখিবা গুটরেজনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না য়াম্না ময়েক শেংনা হায়রি, মদুদি সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা অরৈবা পৱার পুম্নমক শীজিন্নদুনা লান অসিবু থিংবা নত্ত্রগা লেপহনবা ঙমদ্রে।

মোস্কোগী খোঙচৎ লোইরবা মতুংদা কিভতা থুংলখিবা গুটরেজনা মখা তানা হায়খি, মদুদি কাউন্সিলনা য়ুক্রেনগী লান থিংবা নত্ত্রগা লেপহনবা ঙমদবা অসি নিংবা কায়নিংঙাইগী অচৌবা মচাক অমনি।

হৌখিবা ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ানা লান্দাবা হৌখিবদগী সেক্যুরিটি কাউন্সিলনা লান অদুগী মতাংদা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎপা ঙমখিদবগীদমক কাউন্সিল অসিবু মমাঙদা চৈখ্রবা জেলেন্সকিদা সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা হায়খি, মদুদি ঐহাক্না মফম অসিদা লাক্লিবসি প্রসিদেন্ট নঙোন্দা অমদি য়ুক্রেনগী মীয়ামদা ঐখোয় লান লেপহন্নবা হোৎনবা লেপ্লোই হায়বসি খঙহন্নবগীদমক্তনি।

বিবিসিনা গুটরেজকী ৱারোল পল্লদুনা হায়, য়ুক্রেনদা য়ুএনগী ষ্টাফ মেম্বর ১৪০০ না চিঞ্জাক, শেল অমদি অতৈ মতেং কয়া পীবগী থবকশিং চথরি।

ৱারী শান্নবা অদুদা জেলেন্সকিনা হায়খি, মদুদি মরিওপোলদগী মীচম মীয়াম হোন্দোক্লবগীদমক্তা য়ুক্রেননা খুদক্তা নেগোসিএসন চথনবগীদমক শেম শাদুনা লৈ অমদি হিরম অসিগী মতাংদা য়ুএননা মতেং পাঙলক্কনি হায়না কিভনা থাজবা থল্লি।

রসিয়ানা কায়হৌরকপদগী থোক্লিবা ফুদ ক্রাইসিস ওক্যু-পায়রশিংনা য়ুক্রেনিয়নশিংবু নমদুনা হল্লক্লিবশিং অমসুং য়ুক্রেনদা হ্যুমেনিটরিয়ান মতেং হেন্না মথৌ তারক্লিবা অসিগী মতাংদসু মখোয়না খন্নখি হায়বা ৱাফমসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

# চরনোবিলগী রেদিএসন লেভেল খুদোংথীনিংঙাই ওইদবা রেঞ্জদা লৈ: আই এ ঈ এ



ভিএনা, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী): য়ুক্রেনগী হৌজিক্তিগ মথৌ লেপখ্রবা চরনোবিল ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী এক্সক্লুজন জোনগী রেদিএসন লেভেলশিং খুদোং-থীনিংঙাই ওইদবা রেঞ্জকী মনুং চন্না লৈরি হায়না ভিএনাদা বেজ ওইবা ইন্টরনেসনেল এটোমিক ইনর্জি এজেন্সি (আইএঈএ) না লাউথোকখ্রে।

ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট অসি রসিয়ন ফোর্সশিংনা চয়োল কয়া কন্ট্রোল তৌরম্লবা মতুং হৌখিবা মার্চকী অথেংবা শরুক্তা সাইট অদুদগী হন্দোকখিবনি।

চয়োল অসিগী অঙনবা শরুক্তা মালেমগী খ্বাইদগী শাথিবা ন্যুক্লিয়র দিজাষ্টর থোকখিবা সাইট ওইরিবা প্লান্ট অদুদা আইএঈএগী দিরেক্টর জেনরেল রাফেল গ্রোসিনা লুচিংদুনা মিশন অমা চৎখি। মিশন অদুগী পান্দমদি ইক্বিপমেন্ট পীবা, রেদিওলোজিকেল এসেষ্টমেন্টশিং পাঙথোকপা অমসুং সেফগার্দ মোনিটরিং সিষ্টেমশিং হান্নগী ফিভমদা হঞ্জিলহনবা অসিনি।

য়ুক্রেনদগী হল্লক্লবা মতুং শগোলশেল নুমিত্তা ভিএনাদা ন্যুজ কনফরেন্স অমদা গ্রোসিনা হায়খি, মদুদি রয়িয়ন ফোর্সশিংনা এক্সকিবেসনগী থবক খরা পাঙথোক্লম্বা য়াই হায়না থাজনখিবা চরনোবিলগী এক্সক্লুজন জোনগী মফম অমদা লৈরিবা রেদিএসনগী লেভেলশিং আইএঈএগী ষ্টাফনা ওনখি। আইএঈএগী চীফনা পীরকখিবা দেটা মতুং ইন্না এক্সকিবেসন এরিয়া অদুগী রেদিএসন দোজকী লোভেল অসি চহীদা মিলিসিভর্স ৬.৫ ওইদুনা নক্লনা লৈবা লম্বীশিংগী রেদিএসন লেভেল মিলিসিভর্স ১.৬ তগী হেল্লি, তৌইগুম্বসুং রেদিএসনদা এক্সপোস তৌরবা এরিয়াশিংদা থবক শুরিবা ৱার্করশিংদা খুদোংথীবা থোক্লিংঙাই ওইদে হায়না খঙনবা মিলিসিভর্স ২০ গী লিমিট মখাদা লৈ হায়বসি খঙখি।

গ্রোসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি রেদিএসন লেভেল হেনগৎলম্বা থেংনখি। তৌইগুম্বসুং হেনগৎলিবা অদু অসিগুম্বা মখলগী রেদিএসন লৈবা ইনভাইরনমেন্ট অমদা ৱার্করশিংনা থবক শুবদা খুদোংথীনিংঙাই ওইদে হায়না লেপ্ন খ্রবা লেভেলশিংগী মখাদা লৈরি।

চরনোবিলগী সেফগার্দ মোনিটরিং সিষ্টেমশিং শেমজিন্নবা আইএঈএগী ষ্টাফনা লেপ্পা লৈতনা হোৎনরি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

য়ুক্রেনগী কেপিটেল কিভকী অৱাংলোমদা কিলোমিটর ১১০ রোম লাপ্না লৈবা চরনোবিল প্লান্ট অসিদা কুমজা ১৯৮৬ কী এপ্রিল ২৬ তা মীওইবগী পুৱারীদা খ্বাইদগী শাথিবা ন্যুক্লিয়র এক্সিদেন্টশিংগী মনুংদা অমা থোকখিবা সাইটনি।

মোস্কোনা কিভতা লান্দাবা হৌখিবা নুমিৎ ফেব্রুৱারী ২৪ দা রসিয়ন ফোর্সশিংনা প্লান্ট অসিবু পায়শিন্দুনা কন্ট্রোল তৌখি। রসিয়ন ট্রুপশিং মার্চ ৩০ দা প্লান্ট অসিদগী ৱিদ্রো তৌখি। শগোলশেল নুমিৎকী ন্যুজ কনফরেন্সতা হৌজিক হৌজিকমক রসিয়ানা কন্ট্রোল তৌদুনা লৈরিবা য়ুক্রেনগী খ্বাইদগী চাওবা ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্ট ওইরিবা জপোরিজিয়া ন্যুক্লিয়র পৱার প্লান্টকী মতাংদসু গ্রোসিনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

জপোরিজিয়া অসি য়ুক্রেনগী ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটিশিংগী মীফমগী মতাংদা লাকপদা ঐহাক্না লুনা লৌরিবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈ। হিরম অসিগা মরী লৈননা মহাক্না য়ুক্রেন অমসুং রসিয়া অনীমক্কী ওথোরিটিশিংগা প্লান্ট অসিগী সেফতি লৈহন্নবা ৱারী শান্নখ্রে হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

# নাটোগী চীফনা ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেন এল্লাইয়ন্স অসিদা থুনা য়াওবা য়াগনি হায়খ্রে



ব্রাসেলস, এপ্রিল ২৯ (এজেন্সী): নোর্থ এটলান্টিক ট্রিটি ওর্গনাইজেসন (নাটো) দা য়াওননবা ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা থারকখিবা এপ্লিকেসনশিং স্কেদিনেভিয়ন লৈবাকশিং অসিনা পাম্বগী মতুং ইন্না থুনা প্রোসেস তৌগনি হায়না মিলিটরি এল্লাইয়ন্স অসিগী সেক্রেটরি জেনরেল জেন্স ষ্টোনটলবর্গনা ফোঙদোকখ্রে।

শগোলশেল নুমিত্তা ব্রাসেলসতা লৈবা য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টদা পাউমীশিংদা ষ্টোনটলবর্গনা হায়খি, মদুদি করিগুম্বা মখোয়না এপ্লাই তৌনবা লেপ্পা তারবদি ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেন লৈবাক অনী অসি নাটোদা তরাম্না ওক্কনি।

ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেন অসি ঐখোয়গা খ্বাইদগী নকশিন্নবা পার্টনরশিংনি। ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেন অনীমক্না মতম শাংনা মিলিটরি নন-এলাইনমেন্টগী পোলিসি অমা চৎতুনা লাকখি।

সোভিয়েট য়ুনিয়ন কায়খ্রবা মতুংদা নাটোনা লৈবাক অনী অসিবু এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওহন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকখিদবনি।

তৌইগুম্বসুং রসিয়ান-য়ুক্রেনগী কনফ্লিক্ট লাকপসিদা লৈবাক অনীগী ফিরেপতা অহোংবা লাক্তুনা য়ুক্রেনদা খুৎলায় অমসুং এম্যুনেসন পীশিনখি।

নাটোগী সেক্রেটরি জেনরেল অসিনা হায়খি, মদুদি মখোয়গী আর্মদ ফোর্সেসশিং নাটোগী ষ্টেন্দর্দতা চানৈ অমসুং নাটো ফোর্সশিংদা ইন্টরওপরেবল ওই হায়বসি ঐখোয় খঙই। ঐখোয় পুন্না ট্রেন তৌই, ঐখোয় পুন্না এক্সর্সাইজ তৌই অমসুং ঐখোয়না তোঙান তোঙানবা মিশনশিং অমসুং ওপরেসনশিংদা ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেনদা পুন্না থবক তৌমিন্নখ্রে।

লৈবাক অনীনা এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওননবা এপ্লাই তৌরকপা য়াবা মত অমদি মখোয়না থাঙ্গৈশেংনা ওর্গনাইজেসন অসিগী মেম্বরশিং ওইরকপা য়াবা মতমগী লৈবাক অনীগী সেক্যুরিটিগী ৱাফমসু মহাক্না পনখি।

হিরম অসিগী মতাংদা মহাক্না হায়খি, মদুদি নাটোনা এরেঞ্জমেন্ট কয়া থীদুনা ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেনদা খুদোংচাদবা মতম থোকহন্দনবা হোৎনগনি। লৈবাক অনীমক রসিয়াগা য়ুমথংননা লৈবনা রসিয়া-য়ুক্রেন কনফ্লিক্ট হৌখিবদগী লৈবাক অনী অসি নাটোগী মেম্বরশিং ওইনবা এপ্লাই তৌরকপা য়াই হায়বগী ৱাফম অসি খন্নদুনা লাকপনি।

ফিনলেন্দনা রসিয়াগা কিমি ১৩৪০ শাংবা স্যের তৌরিবনি। ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেননা নাটোদা য়াওরকপা য়াবগী মতাংদা হংবদা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিনগী প্রেস সেক্রেটরি ওইরিবা দমিট্রি প্রেস্কোবনা থা অসিগী অঙনবদা পাউমীশিংদা হায়খি, মদুদি ফিনলেন্দ অমসুং স্বিদেনবু এল্লাইয়ন্স অসিদা য়াওহনবা য়াওনা নাটোনা মখা তানা এক্সপান্সন তৌরকপা তারবদি য়ুরোপকী সেক্যুরিটিদা অকায়বা লাকপা য়াই।

ক্রেমলিনগী স্পোক্সমেন অসিনা মখা তানা হায়খি, মদুদি এল্লাইয়ন্স অসিমক লানগীদমক্তা ময়া থৌনা ফেঙলবা খুৎলায় অমনি। মসি মালেমদা মরা তপ্পা অমদি তং তাবা ফিভম লাকহন্নবগী পান্দমদা শেমখিবা এল্লাইয়ন্স অমা নত্তে। এল্লাইয়ন্স অসি মখা তানা চাওথোরকপনা য়ুরোপিয়ন কন্টিনেন্টদা অহেনবা সেক্যুরিটি পীবগী ৱাফম লৈরোই।

## IN THE COURT OF THE ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER NO. XII, KAKCHING

**Ref: Mutation Case No. 203/AS&SO-XII/KCG**

Yengkhom Bijoy Singh, S/o Verjit Singh of Kakching Mayai Leikai -Petitioner

-Vs-

Yengkhom Geetchandra, S/o Y. Bijoy Singh of Kakching Mayai Leikai -Opp. Party

**[illegible] / NOTICE**

Dated/Kakching the 28-04-2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি ককচিং তহশিল মনুংদা লৈবা খুল নং 58-Kakching পাট্টা নং 378 (Old), 91 (New) দাগ নং 559 গী এরিয়া .17 একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার অসি লৈখিদ্রে। মরম অসিনা হায়রিবা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি খবর অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চে ৱাকৎ চে পীশিনবীরক্কদবনি। করিগুম্বা অয়েৎপা লৈত্রবদি হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চথরগনি।

**Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, Kakching**

HL-P/2515/30

## [illegible]

## IN THE COURT OF L.D. DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR

**O.S. (G&W) Case No. 2 of 2022.**

Lourembam Sunita Devi.

**...Plaintiff**

Versus

1. Lourembam Sarju Devi and 3 (three) others.

**...Defendants**

To,

Notice to All the Interested person(s)

Whereas, the above named plaintiff has instituted a suit against you U/S 7 of the Guardians and Wards Act 1890 for appointment and declaration of Guardian for the welfare of a minor namely Lourembam Cameroon, S/o Late L. Jayantakumar Singh of Singjamei Makha Keibung Oinam Leikai, Langthabal, Imphal West District, Manipur as such, you are hereby summoned to appear before this Court on 11th May, 2022 at 10.30 O'clock in the forenoon either in person or by a pleader duly appointed and able to answer all the claims on your behalf and also to file your written statement. If any, herein without fail (a copy of the suit is also enclosed herewith for your easy reference)

Take notice that in case of your failure to appear on the above mentioned date and time, the case will be heard and determined in your absence.

Signed and sealed by the order of this court on the 28th day of April, 2022.

Seal:-

By: Advocate

**Sd/- Sr. Sheristadar**
District & Sessions Court, Imphal West

HL-P/2390/30,1

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 93/SDC/IW-L/2022**

Ibohal Angom,S/o Angom Mangoljao Singh of Phayeng Makha Leikai - Petitioner

-VS-

Late Angom Mangoljao Singh, S/o (L) Leihao Singh of Phayeng Makha Leikai – OP/Party

**[illegible] / NOTICE**

29-4-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম মঙ্গোলজাও সিংহ পীতা মৃত লৈহাও সিংহ সাং ফয়েং মখা লৈকায়গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ২০৪/৩৮১ দাগ নং ১০৮৮/১৩৭১ এরিয়া ১.২৫০০ একর চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** IW-Lamsang

HL-P/1332/30

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG

**Ref :- Mutation Case No. 92/SDC/IW-L/2022**

Ibohal Angom,S/o Angom Mangoljao Singh of Phayeng Makha Leikai - Petitioner

-VS-

Late Angom Mangoljao Singh, S/o (L) Leihao Singh of Phayeng Makha -OP/Party

**[illegible] / NOTICE**

29-4-2022

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার অঙোম মঙ্গোলজাও সিংহ পীতা মৃত লৈহাও সিংহ সাং ফয়েং মখা লৈকায়গী মিংদা লৈবা ঈ:ও: তহশিলগী খুল নং ৬০-চাকপা ফয়েংগী অনৌবা পাট্টা নং ৪১ দাগ নং ১২৫৯ এরিয়া ০.১৯০০২ একর চাওবা ফৌরেলগী লম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী ৭নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবীবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথজরগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** IW-Lamsang

HL-P/1332/30

## IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR : NAMBOL

**Ref :- Mutation Case No. 315/SDC/NBL of 2022**

Leimapokpam Joykumar Singh, S/o Kishworkumar Singh of Leimapokpam Khunpham Awang Leikai – Petitioner

-Vrs-

(Late) Leimapokpam Manglem Singh, S/o (L) Tomba Singh of Leimapokpam – O.P.

**[illegible] / NOTICE**

Dtd. 29/04/2022

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 12-Leimapokpam Patta No. 762 (old) 806 (New) Dag No. 1627 Area 0.94 acre Class Taothabi হায়রিবা Loufam অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Loufam অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীত্তগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্তুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেস মখা চৎথখ্রগনি।

**Sd/- Sub-Deputy Collector,** Nambol

HL-P/2394/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 91/SDC/NTK/2022**

1. Yumnam Shakhenbi Devi W/o (L) Y. Surchandra Singh of Naranseina Mamang Leikai.
2. Yumnam Saya Devi D/o -do-
3. Yumnam Seityabhama Devi -do- - Petitioners

-Vs-

Late, Yumnam Surchandra Singh S/o (L) Mangol Singh of Naranseina Mamang Leikai. - Opponent

**[illegible] / NOTICE**

Ningthoukhong, the 29th April, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 48-Naranseina গী Patta no. 53(O), 376/1148(N) Covered by C.S. Dag no. 1348 Area 0.29 acres গী Ingkhol ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী "LOINABI NUPI, MACHA NUPI" (Petitioners) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা Ingkhol অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা "APATI" অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Ningthoukhong

HL-P/2517/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 99/SDC/NTK/2022**

1. Salam Sumila Devi W/o Salam Tombi Singh of Ningthoukhong W/No. 3.
2. Moirangthem (O) Geeta Devi W/o M. Ibochouba Singh of Ningthoukhong W/No. 8.
3. Rajkumari Sapana Devi W/o Khundrakpam Nimo Singh of Ningthoukhong W/No. 9. - Petitioners

-Vs-

Late Rajkumar Soroj Singh S/o Late Rk. Gourachand Singh of Ningthoukhong. - Opponent

**[illegible] / NOTICE**

Ningthoukhong, the 29th April, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 44-Ningthoukhong Kha Village গী Patta no. 44/605(O) 518(N) CS Dag no. 2253 Area 0.25 acre গী ইঙ্খোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপী (Petitioners) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপাতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Ningthoukhong

HL-P/2517/30

## IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NINGTHOUKHONG

**Ref. Mutation Case No. 93/SDC/NTK/2022**

Oinam Manihar Singh S/o Late Oinam Tolamu Singh of Toupokpi - Petitioner

-Vs-

Late Oinam Tolamu Singh S/o Late Oinam Chaoba Singh of Toupokpi - Opponent

**[illegible] / NOTICE**

Ningthoukhong, the 29th April, 2022

Notice অসিনা মরম ওইদুনা Under Section 46(3) of MLR & LR Act, 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি 43-Ningthoukhong Awang Village গী Patta no. 54/3450(N) CS Dag no. 2038/4004 Area 0.14 acre গী ইঙ্খোল ক্লাস অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখিবনা মরম ওইদুনা মাগী মচানুপা (Petitioner) অসিদা নামা পানবীরো হায়দুনা ওক্তা কোর্টতা দরখাষ্ট অমা থারক্লে। মরম অসিনা ইঙ্খোলশিং অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নি ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্টতা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারবা য়াগনি। মতুংদা লাকপা অপাতি অমত্তা লৌরোই অমসুং আইনগী মতুংইন্না কেস মখা চৎথগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector,** Ningthoukhong

HL-P/2517/30